# অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট মাষ্টর এথলেটিক্স মীট লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুরকপা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীট ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ শৈখ নুরুল হাসননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখ্রে।

মীট অসিদা নুপা ১০৯ অমদি নুপী ১৫৬ পূন্না এথলিট ২৬৫না শরুক য়াখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী হাই জম্প ইভেন্টতা টি বিধু, ঐচ বিরমনি, এল মঙ্গি, এল গোপেশ্বর, হেসামুদ্দিন অমদি এস প্রেমজিৎনা চহী ৮৫, ৭৫, ৬০, ৫৫, ৫০ অমদি ৩৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

দিস্কস থ্রো ইভেন্টকী নুপাগীদা এন ইবোমচা, এম দি অয়ুব খান, দব্লিয়ু থোইবা , আর বোবি, এল গোজেন অমদি কবির হুসেন অদুগা নুপীগীদা অয়ুং, টি ঐচ কুঞ্জরানী, শাংনু নিংশেন, এ সুমতি, এল বোরমনিনা তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা পি ঐচ তোল্লঙৌ, টি কালাচান্দ, আর কে অনন্দ অমদি ৱাই শামু অদুগা নুপীগী মিটর ১,৫০০গী লমজেলদা এস পদমো, এল তম্ফা, টি ঐচ সচিবালা অমদি সী ঐচ নির্মলানা অহানবা পোজিসনশিং তাখি।

নুপাগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা এস থোইবা, এস গ্যানন্দ্রো, কে ঐচ বোরমনি, হিসামুদ্দিন অমদি এম ইবোতোম্বী অদুগা নুপীগীদা এস পদমো, ঈ ইন্দ্রানী, ইতা জাজো, এন জি নোংঙাল্লে, সী ঐচ রোমি, এন জি সনাহনবী অমদি য়ু চিত্রানা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

# দুরান্দ কপ : গ্রেগ ষ্টেৱার্টকী হেটট্রিকনা মুম্বাই সিটি সেমীফাইনেল চঙখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):

গ্রেগ ষ্টেৱার্টনা চনখিবা গোল অহুম অমদি চাংটেগী গোল অনীগী মতেংনা মুম্বাই সিটিনা চেন্নাইন এফ সীবু ৫-৩দা চথুরিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি কোলকাটাগী বিভেকানন্দ য়ুব ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু অহানবা হাফ লোইরমদাই মুম্বাইগী অহমদ জাহৌনা চেন্নাইনগী বোক্স মনুংদা পুশিল্লকপা বোল অমা কিপর দেবজিৎনা ফানবা হোৎনবদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা মুম্বাইগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

গ্রেগ ষ্টেৱার্টনা স্পোট কিক অদু গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা এক্সট্রা টাইমগী শান্নবগী ১০০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি অদুগা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ১১৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি। চাংটেগী গোল অনী অদুনা শান্নবগী ৭৮ অমদি ৯৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

নিঙ্থৌইগী পাস অমগী মতেংদগী শ্লিসকোভিকনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা জোক্সন দাসনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৯ অমদি রহিমনা এক্সট্রা টাইমগী শান্নবগী ১১২ শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা হায়দরবাদ এফ সী অমদি রাজস্থান য়ুনাইটেদ এফ সী অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেল ককচীংদা পাঙথোকখ্রে









ককচীং, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

'মশা-মঔ ফবা খুন্নাই অমা অমদি পোল্যুসন ফ্রী ওইবা ইনভাইরনমেন্ট' হায়বা থিমদা ককচীং রন্নর্সনা শীন্দুনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী অহুমশুবা ইদিসন ঙসি ককচীংদা পাঙথোকখ্রে।

কিলোমিটর ২১.১ শাংবা লমশাং লমজেল অমসুং কিলোমিটর ১০গী ফন রন হায়না মখল অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা লমজেল অসিদা ককচীংগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর অমদি ইন্টরনেসনল বোক্সর এল সরিতা অনীনা ককচীং ৱাইরি খুঞ্জাপাৎ গ্রাউন্দদগী লমথাদুনা মফম অদুমক্তদা লমথুংফম ওইখি।

লমজেল অসিগী নুপাগী চহী ১৮দগী ৩৫ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এল আর লুথর, রজিব অমদি মনাওবী; চহী ৩৬তগী ৪৫গী কাঙলূপ্তা এন পি সিংহ, টি লেন্দিং অমদি শাহদট; চহী ৪৬তগী ৫৫ গী কাঙলূপ্তা রুদ্রেশ্বর, বিমল চন্দ্র দাস অমদি বিখ্যাট; চহী ৫৬তগী ৯৯ ফাওবগী কাঙলূপ্তা পরেশ চন্দ্র, শ্যাম অমদি নিমাইনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

নুপীগী ওইনা লমজেল্লোয় মশীং য়াম্না লাক্তবদগী লমথুংফম য়ৌরকপা খূদিংমক কন্সোলেসন প্রাইজশিং পীখি।

ঙসিগী লমশাং লমজেল অসিদা টামিল নাদুগী হেল্থ মিনিষ্টর সুব্রমনিয়ন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মমিং লৈরবা লমজেল্লোয়শিং য়াওনা পূন্না লমজেল্লোয় ২,০০০ রোম্না শরুক য়াখি।

মোইরাংথেম ইবোবী ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে

# সেক্টা স্পোর্টিং ক্লবনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চথুরকপা মোইরাংথেম ইবোবী ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেক্টা স্পোর্টিংক্লব (এসএসসী)না পোইন্ট ৭ ফংলগা হেদ টু হেদতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

পুখাও রোদয়ুঠ এসোসিএসন (পি আর ৱাই এ) খুন্দ্রাকপমনা চপ মান্নবা পোইন্ট ফংদুনা অনীশুবা অদুগা সোসল ৱর্করস কোংগ্রেস (এস দব্লিয়ু সী) খোংমননা পোইন্ট ৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এস সী সেক্টানা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

দব্লিয়ু ঙৌবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা সেক্টা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী অরোইবা মেটচতা নোরদর্ন ইরিল ভেলি স্পোর্টস এসোসিএসন (নিভসো) কৈবীনা চনু শিন্থা ক্লবপু ৫-২দা মায়থীবা পীখি।

কৈবীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম সনাথোইনা ২ অদুগা এল রাজু, ঐচ সনাথোই অমদি এন অভিজিৎনা অমমম্ চনবা ঙমখি। সী এস সীগী গোল অনী অদুনা টি ঐচ রবিচন্দ্র অমদি দব্লিয়ু কৃষ্ণনা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা চনুংগী রোহেন অমদি কৈবীগী অমুদোন য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

এন ঈ ইন্টর ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# মণিপুরনা নুপীগী দবলস, মিক্স দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

ত্রিপুরানা য়ূম্বু ওইদুনা অগরটালাদা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা চথুরকপা নোর্থ ইষ্ট ইন্টর ষ্টেট জোনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা বোইজ সিঙ্গলস অদুগা সিনিয়র অমদি জুনিয়র নুপীগী দবলস অমদি মিক্স দবলস ইভেন্টতা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ঐচ মালেমঙানবনা অরুনাচলগী নিখিল ছেত্রিবু ২১-১৬, ২৩-২১দা মায়থীবা পীখি।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা কে ঐচ মহেশ্বরীনা অসামগী ইশারানী বারুআগী মখূৎতা ১৫-২১, ২১-১৫, ১১-২১দা মায়থীদুনা অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি।

ৱিমেন্স দবলসকী ফাইনেলদা অঙ্গিতা নাওরেম অমদি কে প্রিয়াগী প্যেরনা অরুনাচল প্রদেশকী পিঙ্কি কার্কি অমদি টরিং য়ানিয়াবু ২২-২০, ২১-১৭ অদুগা গর্লস দবলসকী ফাইনেলদা ঐচ ভিলিন্দা অমদি এল দাইনাগী প্যেরনা অসামগী অনকিতা গোগোই অমদি ময়ুরি বর্মনবু ২১-১৩, ২৩-২১দা মায়থীবা পীখি।

সিনিয়র মিক্স দবলসতা কে দিঙ্কু অমদি কে প্রিয়ানা অসামগী সুরজ গোঅলা অমদি মনালি বোরা অদুগা জুনিয়র মিক্স দবলসতা সির্জিৎ মোইরাংথেম অমদি ঐচ ভিলিন্দানা অসামগী রোহিট গোগোই অমদি শান্তিপ্রিয়া হজারিকাবু মায়থীবা পীখি।

# লাংমাই হুয়েন লানলোং শিন্তম শঙলেন শেমদুনা শিন্তম্বা হৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ অমদি মীহুলস হুয়েন লানলোংগা খূৎশম্নদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী তখেলদা লাংমাই হুয়েন লানলোং শিন্তম শঙলেন শেমখিবগা লোয়ননা শিন্তাকহল ওক্রম মংলেম মীতৈনা শিন্তমলোয় কয়াগা লোয়ননা লাই তিন থাবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা শিন্তম্বা হৌদোকখ্রে।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ (এ এম ঐচ এল এল)না লেপ্পা লৈতনা থাঙ-তা মহৈ অসি য়োকখৎপদা নৎতনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্তুনা থম্নবা অমদি হকচাং ফনা, থকশি-খাশি লৈবা অচঙবা য়ূম্বীরেল শেমগৎতুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# এল ৱাই এল এলনা ক্লাসা এফ সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই এল এল লৈমরামনা ক্লাসা এফ সী কৈনৌবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্লাসাগী লুনখোপাওনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস ঐচ থোমাসনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা লোইরমদাই টি দি জটাকচুংনা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা লৈমরামগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# বিবিচাগী হেটট্রিকনা ক্রিপসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএন এস):

লাইশ্রম বিবিচানা চনখিবা গোল ৩ অমদি নিংথৌজম ওলিভিয়া চনুনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোংনা য়ূঠ ৱেলফ্যের ক্লবপু ৪-২দা চথুরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ূক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

বিবিচাগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা চনখি অদুগা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

য়ূঠ ৱেলফ্যের ক্লবকী গোল অনী অদুনা কিমনুংশাং ভাইফৈ অমদি মাংপিনেং খোংশাইনা শান্নবগী ২২ অমদি ৩১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ং ৱেলফ্যের ক্লবনা আই সী এস এ ইরেংবমবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ং ৱেলফ্যের ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু হৈগ্রুজম দায়ানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা গোল অনী অদুগা রেমী থোকচোমনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

ইরেংবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ইরোম প্রিয়াদর্শিনীনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# কে আর সী ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি দি এল সী হৈরোক দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথুরিবা এল চন্দ্রকিশোর ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে আর সী ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি দি এল সী হৈরোক ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

কে আর সীগী গোলশিং অদুনা এম অমর্জিৎনা শান্নবগী ৩৫ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা গোল অনী অদুগা ৱাই বঙ্কুমারনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি। হৈরোক্কী গোলশিং অদুনা বিজনা শান্নবগী ১৭ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা গোল অনী অদুগা কৃষ্ণকান্তনা শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পথাপ এফ সী লিলোংনা এস এল ৱাই ও তেকচমবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। লিলোং টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু বি এস ৱারিশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

# প্রিলিমিনরি রাউন্দ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

মশা-মঔ ফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা অপূনবা ফিটনেস সেন্টরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল ট্রান্সফোর্মেসন চেলেঞ্জকী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

# বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

মেঘলায়াদা ওক্টোবর ৩১দগী নভেম্বর ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট ওলম্পিক গেমসকী বোক্সিং মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী এলিট নুপা অমদি নুপীগী ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৭তা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোল্লগনি।

ট্রায়ল য়াওগদবা বোক্সরশিংনা মাবাদা রেজিষ্টর তৌবা ওইগদবনি অমদি ২০০৩ নৎত্রগা মদুগী মতুংদা পোকপশিং ওইগদবনি হায়রি।

# য়ু ফিটনেস সেন্টরগী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

চহী অসিদা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর য়ুনিভর্স অমদি ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট নেচরেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুগা মমাং চহীদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা নেসনল বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ অমদি ওল মণিপুর বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা য়ু ফিটনেস সেন্টরগী শান্নরোয়শিং থাংজ নুমিৎতা শীংজমৈ কোংবা রোদতা লৈবা সেন্টর অসিগী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি দব্লিয়ু চিত্তরঞ্জন, তখেলচংবম প্রিন্স, লাইশ্রম পুস্পা, ও প্রেমকুমার, এ কে সিমপ্লিজিৎ, আর কে সুনিল, ভিশাল কুমার, টি ঐচ তোনি, এম দি আইশাহাটু অলি, লাইশ্রম সুশান্তা, লাইখুরাম মালেমঙানবা, টি চিংলেম্বা অমদি দব্লিয়ু রোনেলনি।

থৌরম অদুদা আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম জিতেন, ডা. এল একেন, ঈ ইনাওনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট যোগ টিম খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

মণিপুর যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ২৩ দগী ২৫ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপতা ইম্ফাল ৱেষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয় ২৩ খনখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি সব-জুনিয়র নুপামচাগীদা রনাজিৎ ফিজম, মোইরাংথেম য়াইফবা মীতৈ, লোংজম সুকুমার অমদি কিংসন নিংথৌজম অদুগা নুপীগীদা ষ্টেলিনা নিংথৌজম, খুমুকচম অনানিয়া, জুলিয়ন লোইতোংবমনি।

জুনিয়র নুপাগীদা নাওরেম মৈরাবা মীতৈ, শিবানন্দ থিয়াম, পুখ্রম্বম স্রিনিভাস অদুগা নুপীগীদা মেরিনা গোইমৈনি। সিনিয়র নুপীগীদা নিংথৌজম থাজমানবী, অঙোম সুস্মিলা অমদি ঙাংবম দিবিয়ারানীনি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী আর্টিষ্টিক প্যেরদা তোকপম য়াইস্না অমদি ফুরাইলাৎপম য়ুরেকা অদুগা আর্টিষ্টিক রিদমিক প্যেরদা অভিগেল বাইটে অমদি লৌরেম্বম তনু চনুনি।

# সী ঐচ প্রেমচন্দ্রবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসন (এম এম এম এ এ)গী কোম্পেটেন্ট চীফ ওইরিবা সী ঐচ প্রেমচন্দ্রবু সেভেট এসোসিএসন ইন্দিয়ানা সেভেট এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপদা মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এম এম এম এ এগী সেক্রেটরি কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, মার্সিএল আর্টসকী লম্দা ষ্টেট, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা শান্নরোয় কয়া পুথোকপদা নৎতনা মালেমগী ওইবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মেম্বরসু ওইরি।

ৱর্ল্ড মিক্স মার্সিএল আর্টস কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম এ সী) য়ুনাইটেদ কিংদমনা শীন্দুনা থাইলেন্দগী বেঙ্কোকতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড মীট ইন্টরনেসনল এৱার্ড ২০২২গীদমক নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনা প্রেমচন্দ্রবু খল্লকপবুসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অমুক হন্না থাগৎপা অমদি হরাউবা ফোঙদোরক্লি।

# নেসনল জুনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ইম্ফালদা পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ২৮শুবা নেসনল জুনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২২ চহী অসিগী দিসেম্বর ১দগী ৩ ফাওবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোল্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট ৫- ফুন্নবা অমা, ফুনবা অনীশুবা, থাঙ হাইবা, থাঙলোন অমদি খোঙলোন খূৎলোন্নচিংবদা অথোই-অহেন তান্নগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক নুপা অমদি নুপী থাঙ-তা শান্নরোয়শিং অথুবা মতমদা খল্লগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# য়ু এস ওপন : ইগা স্বিওনটেকনা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বিওনটেকনা টুনিসিয়াগী ওন্স জেবিয়রবু অর্থর এশ ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পোলেন্দগী চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবী ইগাগী মায় পাকপা অসিনা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা অহুম্লক শুবনি।

থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইগানা জেবিয়রবু ৬-২, ৭-৬(৫)তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

জেবিয়রনা মায়থীহৌরবসু নোংমাইজিং নুমিৎতা টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগা মহাক্কী ৱর্ল্ড নম্বর টুগী রেঙ্কিং অমুক হল্লক্কনি। মহাক্না ৱিম্বলদনদা ফাইনেল চঙদুনা অরবকী ফাইনেল চঙবা ঙম্বী অহানবা নুপী ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রবা মতুং অমুক হন্না য়ু এস ওপন চেম্পিয়নশিপতা ফাইনেল চঙবা ঙম্বী অফ্রিকান নুপী ওইবা ঙমখিবনি।

মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

# রোয়ল এফ সী, দব্লিয়ু ৱাই এফ সী, কবি তিংচোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১(ঐচএনএস):

মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচশিংদা রোয়ল এফ সী, দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমদি কবি তিংচোই এফ সী মায় পাকখ্রে।

গ্রুপ ঈগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়ল এফ সীনা ৱাই এস এ চিংখুবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

এল রোহিটনা রোয়ল এফ সীগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি। এল দেনিএলনা চিংখুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।


অতোপ্পা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা দি এম এফ সী মোরেবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

ৱাংজিং টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু বাগিরাটনা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা মোরেগী শান্নরোয় অনী মোমোচা অমদি মোনিশপু য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখিবনি।

গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা কবি তিংচোই এফ সীনা অপূনবা এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

ভৈশালৌনা কবি তিংচোইগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 570**

**CM Tim Kett (2178) - CM Fernando Bolanos (2287)**
**Titled Tuesday 20th Apr chess.com INT (8), 2021.04.20**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 g6 | 6.Be3 Bg7 | 7.f3 O-O | 8.Bc4 a6 |
| 9.Bb3 Na5 | 10.Qd2 b5 | 11.O-O-O Nxb3+ | 12.axb3 d6 |
| 13.h4 h5 | 14.Bh6 Bd7 | 15.Bxg7 Kxg7 | 16.Nd5 Nxd5 |
| 17.exd5 a5 | 18.g4 Rh8 | 19.g5 a4 | 20.b4 a3 |
| 21.bxa3 Rxa3 | 22.Nb3 Qc7 | 23.Qd4+ Kh7 | 24.Kb2 Ra4 |
| 25.Rhe1 Bf5 | 26.c3 Rc8 | 27.Qe3 e5 | 28.dxe6 Bxe6 |
| 29.Ra1 Rxb4 | 30.cxb4 Qc2+ | 31.Ka3 Ra8+ | 32.Na5... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 569 Ans. :**

36. ...Qh3+ The black queen attacks White's king, which is defending the square e1. 37. Kg1 Qg4+ The black queen deflects White's queen away from protecting the square e1. 38. Qxg4 Re1# Back-rank mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com